# ১২শুবা মমি নুমিৎ ২০১৮ অমদি ৬শুবা নোংইন ম্যুজিক ভিদিও এৱার্দ ২০১৮

- নানি




কে টি ফিল্মস প্রদক্সনগী মখাদা **মতমগী মণিপুর** হায়বা দেবকুমার বোসনা দিরেক্সন পীবা, অরাম্বম সমরেন্দ্রগী তৃথ যাত্রা হায়বা আরয়ান থিএটরনা মায় পাক্লা শান্নখিবা ষ্টেজ প্লে অদু লোকেন্দ্র অরাম্বম্না স্ক্রিনপ্লে ইদুনা পুথোকখিবা ফিল্মনা ইহান হান্না সেন্সর সার্টিফিকেট লৌদুনা মীয়ামদা ফিল্ম উৎপা হৌখিবসি কুমজা ১৯৭২গী এপ্রিল ৯ দগীনি। নুমিৎ অদুদগী পাদম লাক্তুনা কুমসি চহীগা থানা ১২রকশুবা ওইনা থৌরম পাঙথোকপা মমি নুমিৎ এপ্রিল ৯, ২০১৮দা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী মল্টি ওদিটোরিয়মদা অচৌবা থৌরম অমগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি অহানবা ওইনা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ওদিটোরিয়মদা শিংথানীংঙাই ওইবা থৌরম অমা ওইনা লৈখিদ্রবা ফিল্মগী লময়ানবা কয়াগী শক্তম য়েকপা চেদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা মখোয়না মণিপুরী ফিল্মদা লৌরম্বা থৌদাং কয়াবু নৌহৌননা নীংশিংবা মচু তাবা অমা ওইনা শিনখি। নুমিৎ অদুদা মণিপুরী ফিল্মগী শক্লাইরবা অহল লমন কয়ানা মপূং ফানা শরুক য়াখি। লৈখিদ্রবী মণিপুরী ফিল্মগীদমক থৱায় য়াওনা চেঞ্জ-চোঙজরম্বী মহারাজ কুমারী বিনোদিনিনা মণিপুরী ফিল্মনা হৌরকখিবা মদুদা থেংনরকপা অৱাবা কয়া অমদি মায় পাক্লকপা কয়াগী মরমদা মরীক চুম্বা পাউদম কয়া থম্নখি। লোয়ননা থৌরমগী অখন্নবা লেংবীরকপা অমা ওইনা শরুক য়াখিবা প্রোফেসর লোকেন্দ্র অরাম্বমনসু মণিপুরী ফিল্মগী ওইরক্লিবা শাওং শক্তম অমদি ওইহন্নীংবা কয়াগী মতাংদা নীংথিনা শুগাইনা ৱারোল কয়া থমখি। থৌরম অদুদা শরুক য়ারুবা অমা ওইনা ঙসি ফাওবদা কাউবা ঙমদবা অমদি মদুনা পীনীংলিবা ৱানুংহুৎ কয়া অদু ঐগী থম্মোয়দা ঙসি ফাওবা তুংদুনা লৈহৌরি। প্রোফেসর লোকেন্দ্র অরাম্বম্না মণিপুরী ফিল্মনা লমদম অসিগী ওইরিবা নাৎকী শক্লোনশিং, মসিনা ময়ায় লম ওইরিবা ইন্দিয়াদা কল্লিবা মফম, ইন্দিয়ানা মণিপুরী ফিল্ম থোরকপদা য়েংলক্লিবা মীৎয়েং অমদি হোংলক্লিবা ৱাখল কয়াগা লোয়ননা মালেমদা মণিপুরী ফিল্মগী মফম কল্লিবা কয়া অসিগী মতাংদা ফজনা তাকপীখি। লোয়ননা হৌজিক ওইরক্লিবা মণিপুরী ফিল্মগী মতাংদা নুংনাংবা ৱারোল কয়া থমখি। প্রোফেসরগী ৱারোলদা ফিল্ম হায়বা অসি য়াম্না চেকশিনদবা য়াদবা আর্ট অমনি। মসিনা লমদম অসিগী মীয়ামগী পূক্নিং ইহুল অমদি ৱাখল্লোনশিং অদু চপ চানা ফোঙদোক্লিবনি। মসিবু ঐখোয়না ঙাইহাক্কী ইন্টরটেনমেন্ট ওইনখক্তা উরোইদবনি। য়াম্না সেরিয়স ওইবা ফিল্ম অসিনা তৌফম থোকপা অমদি ফোঙদোকফম প্লেটফোর্ম অমা ওইনা পূক্নিং ইহুল কয়া মরীক চুম্না ফোঙদোক্নবা হোৎনগদবনি হায়না পনখিবা ইশিনজহৌবা ৱারোলশিং ঐগী দাইরিদা ঙসি ফাওবা লেংদনা লৈরি। বোম্বেগী কোক্লেট ফিল্মলোমদা মণিপুরী ফিল্মনা হেন্না হেন্না নকশিল্লিবমখৈ, মার্কেট লৈজদবা, ফুরুপ কয়ানা পূন্না খুন্দা লৈতামিন্নবা, চিক্লা লেম্না লৈজবা লমদম অসিগী অপূনবা শক্তম অমদি মসিগী ত্রেদিসনেল কলচরশিং মাঙহল্লোইদবনি হায়বা অদুনা ঐঙোন্দা অনৌবা ৱাখল্লোন কয়া পোকহনখি।

কুমসি পাঙথোকখিবা থৌরম অসিগা মরী লৈননা **'অরঙবা থৱান্মীচাক'** হায়না মীংথোনবা খোনগা অমা কুমসি কুমগী ওইনা মণিপুরগী ফিল্ম এক্টিভিষ্ট থোঙাম হরিদাসতা খূৎশিন্নখ্রে। খোনগা অসিদা সাইটেসন অমা, সোল অমা অমদি শেল ওইনা লুপা লিশীং কুন য়াওরি। মসিগা লোয়ননা বেষ্ট ফিল্ম জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০১৮গী খোনগাসু ও সী মৈরাদা লান্থোকখি। মসিদনা শেল ওইনা লুপা লিশীং তরা, সাইটেসন অমা অমদি সোল অমা য়াওরি। থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা মেঘচন্দ্র কোংবম, স্বারনা কমল এৱার্দি ফিল্ম ক্রিটিক্লা শ্রী টি লেকেন্দ্রা, প্রসিদেন্ট সিনে এক্টর গিল্ডনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি এস মঙ্গোলজাও, চ্যেরমেন ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা থৌরমগী মপূ ওইখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা শ্রী মেঘচন্দ্রা কোংবম্না মণিপুরদা চৎনগনি হায়রিবা ফিল্ম পোলিসি অসিদা ফিল্ম পুথোকচরিবশিংদা পীবা য়াবা তেংবাঙ পীবগী মতাংদা য়াম্না নাখৈ শেংনা শেনফম মশীং পন্দুনা য়াওহন্নীংই, ফিল্মদুনা করিগুম্বা নেসনলগী অমদি ইন্টরনেসনলগী তোঙান তোঙানবা ফেষ্টিবেলশিংদা মনা ফংলকপদা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা পীগদবা শেনফমশিং নাখৈ শেংনা পলহন্নীংই, মসি অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটতা চৎনরিবা ফিল্ম পোলিসিশিংদসু য়াওনরিবনি হায়বগী অকনবা মশাগী ওইবা ৱাফমশিং মীয়ামদা থমখি। মণিপুরদা ফিল্ম সিটি অমা শানবগী অকনবা থৌরাং লৌখৎতুনা মফম ফাওবা আইদেন্টিফাই তৌদুনা লৈখ্রবা অদু মখা তানা অথুবা মতমদা শেমগৎ শাগৎতুনা ফিল্মদা থবক তৌজরিবশিংনা থেংনরিবা অৱাবা কয়াশিং অসি কোকহনবতা নত্তনা মীওই কয়া অমা থবক পীবা য়াবা থৌরাং অসিসু মায় পাক্লা লৌখৎপা মথৌ তাই হায়বগী মরু ওইবা ৱাফমশিং পনখি।

নিংথৌজম লানচানা অখন্নবা ৱারোল পীদুনা মণিপুরনা মশাগী মশক্তম উৎথোকপগা লোয়ননা মণিপুরী ফিল্মগী মার্কেট করম্না শেমগৎকদগে হায়বগী মতাংদা মশাগী ওইবা কাঙলোন অমদি ওবজার্ভেসন কয়া থমখি। ঐখোয়না ম্যেনষ্ট্রিম ফিল্ম অমদি সাউথ ফিল্মগী মতৌদা ফিল্ম পুথোকপনা ঐখোয়গী মার্কেট থিবা ফংলোই, ঐখোয়গী ওইজবা নাট শক্তম অমদি মতিং কয়া অদু ফিল্মদা হাপ্তুনা অমদি মৈতৈগী ফজরবা কলচরেল এষ্ঠেটিক্স কয়া শীজিন্নদুনা তোপ তোপ্পা মওং অমদা পুথোক্লগদি মার্কেট লৈগনি হায়বগী থাজবা থমদুনা মরুওইবা ৱাফমশিং পনখি।

থৌরমগী মপূ ওইখিবা এস মাঙ্গোলজাও মৈতৈনা হৌজিক ঐখোয় নাকল নাকলদা লেপ্লদুনা ৱা হায়নবগী মহুত্তা পূনশিন্নদুনা তুংলমচৎকী লম্বী অমা পূন্না য়াৎমিন্নহৌবনা অশিংবা থৌরাং ওইগনি, ঐখোয় পূনশিনসি হায়না মীয়াম্বু তাশিন খোমজিনখি।

থৌরমসিগী অনীশুবা সেসন্দা তরুকশুবা নোংইন ম্যুজিক ভিদিও এৱার্দ ২০১৮ য়েন্থোকপগী থৌরম মখল-মথেল কয়াগা লোয়ননা পাঙথোকখি। পূন্না ম্যুজিক ভিদিও ৩০ হেনবনা এন্ট্রি তৌরকপদা তাঙ্কক অহুল্লক থোক্লা কূপ্না জুরি পেনেলশিংনা য়েংশিল্লবা মতুংদা টোপ টেন খনগৎখিবা অদু মীয়ামদা উৎখি। লোয়ননা কনা কনানা নোমিনেসন চঙলবগে হায়বা লাউথোক্তুনা মথং মনাও নাইনা মনাশিং য়েন্থোকখি। কংলা ফিল্মস বেনর মখাদা পুথোকপা এল প্রেমানন্দনা দিরেক্সন পীবা 'মুন্না চুন্নে' হায়বা ম্যুজিক ভিদিও অদুনা বেষ্ট এৱার্দ ফংখি। এলবম অসিনা পূন্না এৱার্দ ৬ (বেষ্ট কোষ্ট্যুম, বেষ্ট কোরিওগ্রাফর, বেষ্ট সিঙ্গর (ফিমেল), বেষ্ট ম্যুজিক দিরেক্টর, বেষ্ট আর্ট দিরেক্টর অমদি বেষ্ট প্রদক্সন) ফংদুনা খ্বাইদগী মায় পাকপা ওইখি। বেষ্ট সিঙ্গর ওইনা কে বোবিন (মেল), বেষ্ট সিঙ্গর ফিমেলদনা পুস্পরানি, বেষ্ট ম্যুজিক কম্পোজরদনা সোরি সেঞ্জম, বেষ্ট লিরিসিষ্টনা পি ঐচ ইবোয়াইমা শর্ম্মা, বেষ্ট এক্টরনা নির্মল কাংজম, বেষ্ট সিনেমাটোগ্রাফিদনা রেগান্না ফংখি। নোংইন ম্যুজিক ভিদিও এৱার্দ অসিদা টোপ টেন চঙখ্রবা এলবমশিং অসিগী তোপ তোপ্পা মশক অমমম উবা ফংলি। অনৌবা দিরেক্টরশিংগী ক্রিএভিটি কয়া উবা ফংবগা লোয়ননা অনৌবা মায়থোংগী তুং কোয়বা য়াবা এক্টর এক্ট্রেশ কয়া অমসু উবা ফংলি। মণিপুরদা ম্যুজিক ভিদিও এলবম অসিমক্তি য়াম্না মরু ওই। মসিনা অনৌবা এক্টরশিং শেমগৎপা অমদি মখোয়গী প্লেটফোর্ম অমা পীবতা নত্তনা, অনৌবা দিরেক্টর অমদি অতৈ টেক্নিকেলগী ওইবা হেন্দ কয়া মরাং কায়না পুথোক্তুনা মণিপুরী ফিল্মদা মখোয়গী খোঙফম লায়না ফংবা ঙন্নি। মসিমক্লা ফিল্মগী স্কুল অমনি হায়না লৌবা য়াদ্রবসু মখোয়গী হৈশিংবা কয়া অদুদি উৎথোক্নবগী তাঞ্জা অমা পীরি। ফিল্ম ফোরম মণিপুরনা থৌবু ওইদুনা শিল্লিবা থৌরম অসি তুং কোয়না চথবা ওইসনু। অফবা ৱাখল্লোন কয়া থৌরম অসিনা পীরকপা ওইসনু হায়বা ৱাফম অসি থমজরি।



## কমদোনা য়ূমদা পিজা শেমগদগে

*চঙগদবা মচপশিং ঃ-*



- লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিং কপ অমা মখায়
- অকংবা য়ীষ্ট (কামখৎনবা) মকুপ চামচ অনী মখায়
- য়াম কপ অহুম মখায়
- ওলিভ ওইল চামচ অচৌবা অনী
- থুম চামচ মচা অনী
- চিনি চামচ মচা অমা
- চীজ খরা
- পানা শোইরবা চেঙ্গুম খরা
- মখোক অমদি মরূ লৌতোক্লগা পানা শোইরবা বেল পেপর
- ঙৌথোক্লবা শা মচেৎ-মচেৎ
- মনম নুংশিনবা তুলশিগুম্বা মনা খরা
- পানা শোইরবা তীলহৌ খরা
- পানা শোইরবা ওকশা

*শেম-শাবা ঃ-*

- ইলেক্ট্রিক মিক্সর অমদা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংগা য়ীষ্টকা মিনিট ৫ রোম উংদুনা তোৎলবা
- মিক্সরদা মিক্সিং পেদল অমা এটেচ তৌরবা মতুঙদা ওলিভ ওইল, য়াম, থুম অমদি চিনি হাপচিল্লগা য়াম্না তপ্না-তপ্না উংবা। মথঙদা মিক্সিং পেদল অদু লৌথোক্লগা থাও (তোৎলবা মচলশিং) হূক অমনা মহুৎ শিঞ্জিনবা মিক্সর অমদি দাও হূক শীজিন্নদুনা তোৎলবা পোৎলমশিং অদু মওং মরিল তানা শেম্বা। পেৎমল্লবদি য়াম খজিক্তং চাইশিনবদা অকায়বা লৈতে।
- মথঙদা ওলিভ ওইল পানা তৈরবা বাউল অমদা হাপ্লগা মথক-মখা ওনবীগনি অমসুং প্লাষ্টিককী ময়োম অমনা য়োমশিল্লগা পুং ১ গুম্বা ওভনদা হাপ্তুনা তপ্না-তপ্না মৈশা ফঙহনগনি।
- প্লাষ্টিক্কী ময়োম লৌথোক্লগা অমুক হন্না অপা-অথা মওঙ-মরী তানা শেম্বীগনি।
- মথঙদা টোমেটো সোস অমদি চীজ খরা অমসুং পানা শোইরবা চেঙ্গুম মশোই অমা অনীনা মথক্তা কূপশিনবীরগা মপূং ফারবা পিজা অমা ওইহনবীবা য়ারে।

## চীঞ্জাক্লা খ্বাইদগী ফবা হীদাক্নি

### চনম চাবনা হকচাংদা অসুক্কী মতিক কান্নবা পীরি



নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা চনম্বু হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী ৱারী কয়া লৈখ্রে। মমাংঙৈগী মতমদা ইজিপসিয়নশিংনা মপাঙ্গল কনখৎনবা, গ্রীকশিংনা খোঙ হাম্বা নুংঙাইনবা অমসুং চাইনিজশিংনা ব্লদ প্রেসর হন্থহন্নবগীদমক চনম্বু হীদাক ওইনা শীজিন্নখিবগী মতাংদা ৱারীনরি।

মতম অমদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা প্লেগ লায়না শন্দোরকপা মতমদসু চনম চারবদি লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বা থাজনখি।

পুন্নমক অসিদগী চনমদা করিগুম্বা কান্নরবা মতীক ময়াই চেনবা মচল খরা য়াওরে হায়বা খঙনরকপদগী তপ্না তপ্না থিজিনবা হৌরকখি। ফ্রান্সতা ১৯ শুবা চহীচাদা লৈরম্বা লুই পান্টর কৌবা কেমিষ্ট অমনা ইহান হান্না চনমদা য়াওবা এন্টিসেপটিক ওইবা মতিক মগুনশিং অদু পুথোক্তুনা উৎপা ঙমখি। মদুদগীদি মালেমগী অহানবা অমসুং অনীশুবা লাঞ্জাও মতমদা বৃটিশ, জর্ম্মন অমসুং জর্মন লান্মীশিংনা চনম্বু হীদাক ওইনা শীজিন্নদুনা কান্নবা লৌখি।

মতমদুদগী হৌনা লেপ্তুনা থীজিল্লকপদা চমননা মহীক মতাই কয়া ইলায় লায়না হাৎপা ঙম্মী হায়বা ৱাফম তপ্না তপ্না ময়েক শেংনা খঙনরকখি। ঙসি ঙসিমকসু মনা মশিংগী লায়েং কাঙলোন ঙাক্লা চৎলিবা মীওইশিংনা লোক-লাইহৌ অমদি অতৈ লৌনগনবা লায়না কয়া লায়েংবদা চনম্বু হীদাক ওইনা শীজিন্নরি।

চনমদা য়াওবা এলিসিন কৌবা মচল অমদা এন্টিকেন্সর, এন্টিক্লোর্টি, এন্টিফঙ্গেল, এন্টিওক্সিদেন্ট অমসুং ব্লদ প্রেসর অমদি কেলেষ্টরোল হন্থহনবা ঙম্বা মতীক ময়াই চেল্লি হায়বগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মেদিকেল জর্নেলশিংদা পেপর ৫০০ হেন্না ফোঙদোরকখ্রে। চনম্না ব্লদ প্রেসর অমদি কোলেষ্টরোল হন্থহনবা মরম্না থম্মোয়গী লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বা খঙনরক্লবা মতুংদা লেপ্তুনা থীজিনবদগীদি কেন্সর মখল খরসু ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বা খঙলকখি। নোংমদা চনম মরু অমমম চাবনা কোলোরেক্টেল কেন্সরগী রিস্ক চাদা ৩০, ষ্টোমাক কেন্সরগী রিস্ক চাদা ৫০ অমসুং প্রোষ্টেট কেন্সরগী রিস্কনা চাদা ৫০ হেন্না হন্থহনবা ঙম্মী হায়বা ৱাফম শংহাইদা লৈবা নেসনল কেন্সর ইন্সটিট্যুটনা থীজিল্লবা মতুংদা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক চনম অসি হিংনা চাবনা ফবরা নৎত্রগা ঙৌরগা-থোংলগা চাবনা ফবরা, নৎত্রগা টেব্লেটকী মওংদা পুথোক্লরক্লিবা সপ্লিমেন্ট ওইনা চাবনা হেন্না ফবরা, লোয়ননা নোংমদা কয়া য়াম্না চাগদগে হায়বগী মতাংদা য়েৎনবা খরদি অদুমক লৈরি। অহিংবা চনমদা য়াওবা এলিসিনগা ঙৌথোক্লবা নৎত্রগা থোংদোক্লবা চনমদা য়াওবা এলিমনগা করম্বনা হকচাংদা হেন্না কান্নবা পীবগে হায়বদুগী মতাংদসু লৈখাই তাবা ঙমদ্রি। অদুবু অঙৌবা ওইগেরা, অহিংবা ওইগেরা চনম্না হকচাংদা কান্নবা কয়ামরুম পী হায়বসি পুন্নমক্লা য়ানরবা ৱাফম ওইরে।

ফার্মাস্যুটিকেল কম্পেনিশিংনা পুথোক্লরক্লিবা হীদাকশিংগা মান্নদবা মওংদা খুৎশেমগী ওইবা পোৎয়ান অমদি কেমিকল অমত্তা য়াওদবা মহৌশাগী ওইবা নেচরেল এন্টিবাইওটিকনি হায়না লৌনরিবা চনমদা এন্টি ভাইরেল অমদি এন্টি ফঙ্গেল ওইবা মগুনসু য়াওই। চাং নাইনা নুমিৎ খুদিংগী চনম চাবা তারবদি নিংথমথাগী মতমদা য়াম্না তোয়না মায়োক্লগনবা লোক লাইহৌ অমদি মসিগা মরী লৈনবা লায়না কয়া ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়রি।

*চনম্না পীরিবা কান্নবা খরা ঃ*

- ব্লদ প্রেসর অমদি কোলেষ্টরেল হন্থহনবা মরম্না থম্মোয়গী লায়না কয়াদগী মাঙজৌননা ঙাকথোকই
- কেন্সর মখল খরা ঙাকথোকপগা ঙম্মী।
- এন্টিভাইরেল অমদি এন্টিবেক্টেরিয়ল ওইবা মগুন চেনবা মরম্না লৌনগনবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকই।
- নিংথমথাদা তোয়না মায়োক্লগনবা লোক থুংবা, নাতোন ফুনবা, নাতোন মহী চেনবা, খনাউ নাবা অমদি লোক লাইহৌদগী ঙাকথোকই।
- দাইজেষ্টিভ সিষ্টেম ফগৎহন্দুনা চাবা তুমহনবদা মতেং পাংই।
- হকচাং মনুংগী অমোৎপা শেংদোক্তুনা কুচু শেংহল্লি।
- অরথ্রাইটিস, অজমা, ব্রোংকাইটিস, কোলেরা, দাইবেটিস, মেলরিয়া, রিং ৱর্ম, স্কভি, টি বি অমদি টাইফোইদ-নচিংবদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই।
- নুপাগী ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা য়ুম্বান পুন্সিদা কান্নবা পী।

*চনম্না পীবা খুদোংচাদবা খরা ঃ*

- চনম চাবদগী শ্বর নমথিবা মরম্না মীরক্তা চঙবদা খুদোংচাদবা থোকহল্লি।
- হকথেংননা শোক্লরুবদা উনশা অমদি মুকশ মেম্ব্রেনদা ইরিটেট তৌই।
- নুংশং, খোঙ হামথবা অমদি অতৈ অনাবা মখল খরগী হীদাক লাংথক চারিবা মীওইশিংনা চনম চাদ্রিঙৈদা অনা লায়েংগী লমদা খঙ হৈরবা মীশক নৎত্রগা দোক্তর অমগা হান্না তান্নবীবা ফৈ।

## মালেমগী খ্বাইদগী ফবা লানগী প্লেন খরা

মায়োক্নবা লানফমদা য়েক্নবগা লম্বা পাবদা লানঙম-ফীরাল থেৎপা ঙম্নবগীদমক অফবা মখলগী লালগী প্লেন কয়া পুথোক্নখ্রে, কয়া'মসু পুথোক্নবা হোৎনরি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী অফবনি হায়না লৌনরিবা কিনিংঙাই ওইরবা প্লেন ১০ খনগৎলগা মখাদা থমজরি।



***জে-১০ ফাইটর :*** মচীন্দগী মৈরি কাম্বা ঙম্বা তমথিরবা লিন হায়নসু খঙনবা জে-১০না তোঙান-তোঙানবা অঙৈং-অশা খেন্নবা মফমশিংদা চপ চানা মথৌদাং পাঙথোকপা ঙম্মী। চাইনাগী চেংদু এয়রক্রাফট ইন্দষ্ট্রি কোর্পোরেসন্না পীপলস লিবরেসন আর্মি (পী এল এ) এয়র ফোর্সকীদমক শেমগৎখিবা লানগী প্লেন অসিদা এম এম ২৩গী কেনন অনী য়াওবগা লোয়ননা খুৎলায় কিলোগ্রাম ৬০০০ লোম পুবা ঙম্মী।



***মিগ-৩৫:*** তমসিগা চান্নরবা খ্বাইদগী ফবা লানগী প্লেনশিংগী মনুংদা মিগ-৩৫ সু অমনি। ওপটিকেল লোকেটর সিষ্টম মতীক চানা য়াওজবা মরম্না প্লেন অসিনা গ্রাওন্দ কন্ট্রোল ইন্টরসেক্সনগী মতেং থোইদোক্লা মথৌ তাদে। লানফম কয়াদা য়াম্না কান্নবা মওংদা শীজিন্নবা য়ারগদবা প্লেন অসিগী মশা অনীমক্তা লেজর ইমিসন দিটেক্টর য়াওজবা মরম্না য়েক্নবনা এটেক্ট তৌরক্কদবা লৈরবসু মাঙজৌননা খঙবা ঙম্মী অমসুং ইনফ্রারেদ লেজর শীজিন্নদুনা য়েক্নববু লায়না মায়থীবা পীবা ঙম্মী।



***টি-৫০ গোল্ডন ঈগল :*** কোরিয়া এরোপ্লেন ইন্দষ্ট্রিজনা পুথোকপা টি-৫০ গোল্ডন ঈগল অসি মালেমদা মশীং পংয়াম য়াম্না লৈত্রিবা সুপর সোনিক এদভান্স ট্রেনরশিংগী মরক্তা অখন্নবনি। পাইলোটকী কোকপিট মনীংদা এম এম ২০গী কেনন অমা য়াওই অমসুং মিশাইল অমদি নোংমৈ মরু রাওন্দ ২৫০ মতম অমুক্তদা কাপ্পা ঙম্মী। লানফমদা অসুক্কী মতীক কান্নবা মখলগী লানগী প্লেননি।

***এফ-১৬ ফাইটিং ফেলকন:*** জেনরেল দাইনামিক্সনা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা শেমগৎলিবা এফ-১৬ ফাইটিং ফেলকন অসি হীরম কয়াদা মায়



পাক্লা শীজিন্নবা য়ারবা মতীক ময়াই কল্লবা লানগী প্লেননি। পাইলোট অয়াম্বনা মহূ কনবা লিন হায়না খঙনবা এফ-১৬ ফেলকনগী মরু ওইবা মগুণশিংদি দিগ্রী ৩০ পৈরপ তৌবা ফম্ফম নুংঙাইবা পাইলোটকী সীট, ট্রান্সপরেন্ট কেলোগী ওইবা মরম্না পাইলোটনা নীংথিনা উবা ঙম্বা অমসুং নাকলদা কন্ট্রোল ষ্টিক য়াওবা মরম্না প্লেন পাইবদা লায়হনবা অসিনচিংবনি।



HL-B/4571/18/4-16/5(Alt.)